ইরৈবাক
ইম্ফাল, ডিসেম্বর ০৯, ২০২২ ইং

পোপি পাম্বী য়াম্থৎপা

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা হৌরম্বা পোপি পাম্বীশিং ষ্টেট ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহন তাকহনবগী থবক চত্থরক্লি। ষ্টেট ফোর্সনা চত্থরক্লিবা পোপি পাম্বীশিং মাংহন তাকহনবগী খোঙজং অসিদা লোকেলগী মীয়াম হায়বদি পোপি পাম্বী হৌরল্লিবা মফম অদুগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়াম্নসু মপুং ফানা শৌগৎলি। খোঙজং অসি মরু ওইনা বি জে পি লৈঙাক্কী অনীশুবা টার্মগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ড্রগ ফ্রি মনিপুর ওইহন্নবা পায়খৎলক্লিবা থৌশিল অসিগী মনুং চন্ননি। তশেংনমক ময়াই কাবা মখল কয়াগী নিষাগী ঈপাক্তা লমদম অসিগী মীওই কয়ানা লুপখিবদগী নিষাগী শাফু অমা খুন্নাই অসিদা পীরক্লিবনি। ময়াই কাবা নিষানা মীওই কয়াগী পূন্সি মনুং মতম চাদনা লৈহনখিদবা, মপুরোইবা নৌনা কায়নদুনা লুখ্রা ওইনা খুনাইগী পুন্সি লানফমদা অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিগী মথক্তা নুপী ওইবীশিংগী মরক্তগী ময়াই কাবা নিষা অসি শিজিন্নরক্লি। মপা–মমা ময়াই কাবা নিষাগী ঈপাক্তা লুপখিবদা মখোয়গী পীক্লিবা অঙাংশিং ফাওবদা ময়াই কাবা নিষাগী শাফু পীরক্লি। মমাংঙৈ মতমদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা নিষা শীজিন্নবসি মশীং য়াম্না লীক্লম্মী। শেম্থোক মরাং কায়না লৈবা ইমুংশিংগী নহাশিংনা ময়াই কাবা নিষা অসি শিজিন্নবগুম্না তৌরম্মী। হৌজিক্তি লৈকায়দা নিষাই শিজিন্নবা নহারোল অসি মশীং য়াম্লকপগুম্না তৌরে। ইমুং–মনুংগী শেম্থোক মতীক চাদনা নিষাগী মতীক ময়াইনা মপা–মমাদা নুমিৎ খুদিংগী য়াম্লবা শেনফম পীয়ু হায়বদগী ইমুং কয়াদি খুদোংচাদবা মায়োক্নবা হেনগৎলক্লি। মহৈ–মশিং তমদুনা লৈগদবা নহা কয়াগী হকচাংগী ফিভম তুরোই ঙাম্লোই তৌরক্লে।

ময়াই কাবা নিষাগী ঈপাক্তগী লমদমসিগী নহারোলশিং অমদি মনিপুরী খুন্নাই অসি কন্নবগীদমক বি জে পি লৈঙাক্কী অহানবা টার্ম লাকপগা ৱার ওন ড্রগ কেম্পেইন হৌদোকখি। চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লীচিং মখাদা ৱার ওন ড্রগ কেম্পেইন অসিদা অসাম রাইফলস য়াওনা ষ্টেট ফোর্সনা চীংগী ডিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌরম্বা পোপি পাম্বীশিং লেপ্পা লৈতনা পাক্তক্লনা য়াম্থৎখি। য়াম্লবা একরশিংদা হৌরম্বা পোপি য়াম্থৎপগা লোয়ননা য়াম্লবা পোপি মরুশিং ফাগৎখি। লৈঙাক অসিগী অনীশুবা টার্ম লাকপগা হান্ননা পোপি পাম্বী থারম্বা চীংগী খুঞ্জাশিংনা লৈঙাক্কী ৱার ওন ড্রগ কেম্পেইন মপুং ফানা শৌগৎলি, ড্রগকী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বগী খোল্লাও মাইকৈ কয়াদগী নিল্লকখি। লৈঙাক্কী মাইকৈদগীসু পোপিগী মহুত্তা পোখোক লৈবা মরু মরাংশিং থাননবা হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা খুঞ্জাশিংদা য়েম্থোকখি। পোপিগী মায়োক্তা লেপ্লকপা খোল্লাও অদুনা মনিপুরদা পোপি পাম্বী অসি অমুক হন্না হৌগৎপা ঙম্লরোই হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। থাজবগী ৱাংমদা চীংগী মফম খরদা একর কয়ামরুমদা হৌরম্বা পোপি পাম্বী য়াম্থৎলকপা অসি অঙকপা অমদি ওইরে। পোপি পাম্বীশিং মাংহনবগা লোয়ননা পোপি থাবদা শীজিন্নবা ফর্টিলাইজরশিং য়াওনা লৌতাংশঙ ওইনা শারম্বশিং মাংহন তাকহনবসু লৈখ্রবনি। মীওই কয়া ফাবা পুনবসু লৈখ্রবনি। পোপি পাম্বী থারল্লিবা মীওই মশক খংবা ঙমদ্রবসু লমদুগী মপু আইনগী মতুং ইন্না এক্সন লৌখৎকনি হায়বা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী খংহনখিবসু লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী খোঙজংসি মীয়ামগী মতেং য়াওদনদি মপুং ফাবা হায়বদু ওইরোই। নৌহৌননা পোপি পাম্বী য়াম্থৎপগা লোয়ননা আইনগী এক্সন লৌখৎপসু তঙাই ফদ্রি।

লমলোং কৈথেলগী মরাইবক

হেমজিৎ ইরোম্বা

ফনা কুইরে খুরাই লমলোং কৈথেলনা পোৎফম ফমদনা লৈরকপসি। কৈথেলসিগী ফাউণ্ডেসন ষ্টোন য়ুংখিবসি কুম ২০১৭ কী এপ্রিল ২৯ দা ইকাই খুম্নরবা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ, টি ঐচ শ্যামকুমার মহুদ মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো, ওনরেবল পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি, এন ইন্দ্রজিৎ সিংহ, টি রোবিন্দ্রো চিয়ারমেন পি দি এ হায়রিবা মীশকশিংসিনা উরেপ উয়ুং তম্বীদুনা মীওই লীশিং কয়াগী ওইবা লমলোং কৈথেল তুং কোইনা চৎকদবা মওংদা শোয়দনমক শারগনি হায়বগী থাজবা থম্বিখিবনি। ফনদি কুইরে শঙ্গাখিবা অদুবু ঙসি ফাওবা শাবা লোইরবা কৈথেলশঙসিদা পোৎফম ফম্বী অমত্তসু ফম্বা লৈত্রি। শঙ্গাবদি কাখ্রবনি।

মনুংদা ফমগদবা মী মশীংসি য়ামদবা মরম্না কনানা ফমগদৌরিবা? লেমহৌরিবা মীওইশিংদুনা ঐখোয়দি করিগী ফম্ফম ফংলোইদৌরিবা হায়বগী ৱাখলদা ইরাং থোক্লক্কদ্রা চিংনবা লৈবনা শঙ্গাখ্রবসু হৌজিক ফাওবা কনা অমতা ফমদনা ইহাং হাংনা লৈরি। ফাওন্দেসন ষ্টোনদা চিফ মিনিষ্টরগী মমিং য়াওরবসু নুমিৎতুদদি মহাক মশামক য়াওবগী খুদোংচাবা লৈখিদে। ৱারী ওইনা হায়নবদা নুমিৎতু ক্বাটরদা হোংজিনবগী অচিনবা লৈবনা লাক্তবনি। মসিমক হায়নবনি। নুমিৎতুদা খুরাই কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা খল্লক্লবা এল সুসিন্দ্রো সিংহনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা কার্ড পায়বা ইমা ইবেনশিংগীদমক্তদি লুপা লিশিং কুন–কুন লোল ওইনা পীগনি হায়খি। ৱাফমসিদা ইমা ইবেলশিংনা অহৌবা খুবাক খুদুনা থাগৎপগী লোইবা নাইদ্রবা খুবাক্কী মখোল অমতা ওইনা থোরকখি। কৈথেল শঙসি শান্নবগীদমক মসিগী মহুত্তা খুরাই গার্লস স্কুল, লমলোং হায়ার সেকেণ্ডরিগী নোংপোক থংবা শরক্কী নোংচুপ থংবা শরুক্তা অশাংবা শঙশাং শাদুনা ফমহনখি। মুন্না খল্লুরবদি লমলোং কৈথেলসি রুরেললা? অরবানলা? হায়বসিমা ৱাহং অমা ওইরবনি।

কনা কনাগুম্বা অমনা হায়নিংবা অমা হায়রুবদা অদুমক চুন্নগদবনি। মসি করম্বা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবনো? মসিসু ৱাঙ্খৈ কেন্দ্র অমদি খুরাই কেন্দ্র অনীগী ওইবা কৈথেলনি হায়বদা লানসু লাল্লরোই। অদুমক কায়দ্রবনি। লমলোং কৈথেলসিনা অৱাংলোমদা অসুমক শন্দোকখিদুনা ঙসিদি ফনা শাংখ্রবনি। মতম খরগী মমাংদা মসি লৈরম্বা নত্তে। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খুরাই গার্লস হায়স্কুল ওইরিবা মফমসি ঙসি ফাওবা স্কুলসিনা লৈখিদ্রবসু অতোপ্পা স্কুল অমনা মহুৎ শিন্দুনা লৈরকপসি মতম ফা শাংলবনি।

মমিং চৎলন্নবা স্কুল খরা পনবদা রাজাডুম্ব্রা হায়স্কুল, তোম্বীস্না হায়স্কুল, বেঙ্গোলি হায়স্কুল, শিংজমৈ গার্লস হায়স্কুল লোয়ননা খুয়াথোং হায়স্কুল ... ঙম্নমক মমিং মুৎখ্রবনি হায়রিবা স্কুল ওইরম্বা মফমশিংসি লৈঙাক্কী ওইবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি। মমিং মুৎখিবগী ৱানি। মফমদি স্কুল অদুমক ওইরিবনি। মসিগী মফমসি মী য়াম্লকপগী মতুং ইন্না লমলোং কৈথেল চাওথোকপদা শিজিন্নরকপদী কনা অমতনা পেঞ্জদবা নুঙাইবা তৌররোইদবনি। হায়জবা ঙমদবগী ৱানি। ৱাফমসিমক্তি, হোটেলদা ৱারী তৌনবদা ইতৎ তত্তনা য়াওনরিবনি।

মতমগী মতুং ইন্না হোংদোকপদি শোয়দনা হোংদোকখিদুনা মফমসি লমলোং কৈথেলগী মফম হায়বদু ওইদনিংঙাই লৈরোই। লমলোং কৈথেল লুপ্না হোংদোক্নবগীদমক শোয়দনমক হোৎনরমদৌরিবনি। নুমিৎ খুদিংগী মীগী মশীং য়ামখৎলকপা মরম্না ইকাই ইকি করি অমত্তা থিদনা কৈথেল থোরক্কুনা মনা–মশিং য়োল্লকপা মীগী মশীং থিদুনা লোইবা নত্তে। অরৈবগা অয়োনবগা অনীসিদি অয়োনবা মীনা মশীং হেল্লবনি। হিংনবগীদমক ইকাই ইকি থাদোক্কুনা হোৎনরিবা লমদমসিগী লৈহাওদা চাওরকপা ঙাক্তনি। মীগী মী, মী ঙাক্তা ঙাইরকপনা লম্বী সড়ক্তা চৎকদবা ফাওবা এক্সিদেন্ট থোক্কদ্রা হায়বগী চিংনজবা অদুমক ওইরবনি। চহী তরামঙা শুরবা মতম শাংনা শীজিন্নরক্নবা গাড়ী অমত্তা লম্বীদা চেলহল্লরোই। মসিবু থবক্তা ওম্থোক্লবা চিল্লিবা লম্বী অয়াম্বা খরদি কোন্নগনি। গাড়ীশিং দিল্লীদা শিজিন্নবা থিংখ্রবনি। মসিদা ফৈ হায়বা নৎতনা করিশু লৈতে। লম্বীদা চিল্লিবসিদি মতম লোইরবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীনা মশীং হেল্লবনি। মসিবু য়াদে হায়বা অমা লৈখিবদা লম্বী অয়াম্বা খরমখৈদি শাফরগনি। হৌজিক হৌজিকসু য়াম্না কোম্না মকা লাম্না চৎলিদা হায়বা মফমসিবু কদায়ৱাইদা ওইদৌরিবগে?

ঐখোয়না খঙলকপদা লমহুই খোংবগী মখোল তারল্লিবা পোৎনি। তুরেল মপালগী অসুক অসুকপা মী চংনদবা মফম মশীং লাকঙমদনা লৈরল্লিবনি। মখোয়দুগী মনুংদা লমহুই, কৈশাল লৈরমলিবনি। লমলোং কৈথেলসি মতম অমদদি ফৌ ৱানগে হায়রবদি লমলোং কৈথেলদা লাক্কুনা ৱান্নরল্লিবনি। মতমদুদা লোয়া লমদগী ফৌ তাইগনি হায়দুনা লাকপা যণ গাড়ী খুরাইগী ফৌমাই চাবী য়াওদ্রবদি শিংপা নত্তে। মসিসু ঙকতি ঙকপনি। অৱাংলোমদগী লাকপা গাড়ী অয়াম্বা লমলোং কৈথেল ফাওদুনা চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। কুইরবগী ৱারীদা লমলোং কৈথেল ফাওদুনা চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। কুইরবগী ৱারীদা লমলোং কৈথেল ঈনা কুপ্লমলিবনি। মতমদুদি ঙসিদগী ওম্থোক্লা কুইখ্রবা হায়বদুনি। কৃষ্ণ জর্ম্ম, থৌরানি জন্মদা লমলোং কৈথেলগী ঈনা কুপ্পা শঙ মচা মচাশিংদা লাইগী তিলগী য়োল্লম্বা পোৎ, ইরু–মাইথজদুনা য়োল্লমগদবা মাল্লবনি। মতমদুগী মীওইশিংগা হৌজিক্কী মীওইশিংগা ধর্ম্ম লৈবা ওইদ–পাদবা তৌদবা অচুম্বদা তৌগনি হায়না খনবা মশিং অদুম্মক য়াম্লবনি। লাই তিলগী ৱাসিদি মতমদুগী মীরোলশিংনা থাজবা হেল্লবনি। কৈথেলখক্তং লৈহৌরগা অৱাং পাংনা লৈজবী থাদুনা শাংদোকখিবসি কয়ায় ফাওবা শাংদোক্কদৌরিবনো খঙবা ঙমবা নত্তে।

হৌজিক শঙ্গাখ্রবা কৈথেল শঙসিদা কয়া য়াম্না ফমগদৌরিবা? ফম্ফমগীদমক ৱাথোক শোয়দনা ওইদৌরিবনি। করম্বা কার্ড পায়বা পোৎফম ফম্বীগা করম্বদা বেঙ্কনা লোন পীবা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরবনি। ময়ামসিগা ইচান চান্নদবগুম্বা অমা ওইগদবা মাল্লবনি। শঙ্গাবা ফনা কুইখ্রবসু মী ফম্নদনা ইহাং হাংনা লৈবা মতম ওম্থোক্লা কুইরক্লবনি। কুইনা কার্ড পায়দুনা পোৎফম মলিবা মীওইনা মশিং কয়া? অনৌবা হাপচিল্লগনা মশিং কয়া? ৱাখল তাদবা হায়বদুমা শোয়দনা ওইরল্লগদবনি। তৌগদবা থবক্সিদি য়েথোক্কুনা মতম লৌবগী থবক্সিমা য়ারিবা মখৈ তৌদবা ফরবনি। নোংমা নোংমগী চিনবগী চাং হেনগৎলকপনা অৱাং পাংনা পোৎফম ফমলিবা কাঙবুশিংসি মফম চাবা অমদা ফমহন্নবা হোৎনবদা মতম চারবনি। অয়ুক্কী মতমদদি চৎথোক–চৎশিন্দা জাম ওইরিবা মহাপ্রলয়নি। অমুক্তং লাক্লগা থেঙনরগা খঙবীগনি। লমলোং কৈথেল মতম অমগী কৈথেল ওইদ্রবনি।

খোঙ্গুল লীবা

(অৱা তেকচাক ফংখিবা)

মৈতানকৈশংবম মৈনো খুমন

অলচি হৈ হয়া হে, অৱা তেকচাক ফংখিবা কয়াগী মনুংদা নোংমাই চীং চীংকারোনগী মতাংদা লিচৎ কায়না মফম মতম মশক খংদনা চিংঙুবা নোংপোক নিংথৌ অপানবা পান্থোইবী ইমাগী খুভমদা থৌনিজবা কাজরুবসিংনা অৱাবা নংখিবা, নিংবা কায়খিবা কয়াগী মনুংদা অহানবা ওইনা থোকখিবা থৌদোক্কী ৱারী মতেক অমতং তোনতক্কা লৌখৎচরি।

নোংবাল অহোংলোই কৌবা তয়ুম অমনা মাগী তালোই লৈমা নুপীগা লোয়না মখোয় অনী শেলোই লংমাইচীং কাবা চিংঙুবা মকাইফমদা থৌনিজবা লাকখি। নোংবাল অহোংলোই মতৈ মনাওনা মোংবা মরানয়াইদগী পুন্না মতৈ মনাও খোংশানমীন্নরক্লম্মী। মখোয় অনীনা য়াংদৌ লমশাং লাকপদা অৱাবা হুইদোম লাংদুনা য়ারল পাৎকী নোংপোক থংবা চীংজিন শেলোই লংমাই হুইথাচীংগীদি নোংচুপ থংবা চীংমৈ তোপ্পা লৈবা ৱাখা চীংগীদি অৱাং থংবা অতাং চীংদুম হায়নসু খংনবা চীং অমা লৈরি। হায়রিবা চীং অসিগী মথক, মতা ফবা থেল অমা লৈরিবসিদা নোংবাল অহোংলোই মতৈ মনাও য়াংদৌ লমশাং লাকপগী অৱা–হুইজোং লাংলদুনা ৱাংলেন মিৎকুপ খরদং পোত্থাখি। অসুম্না পোত্থাবা অদুদা য়াংদৌ লমশাং লাকপগী অৱাবা কোক্লবা শানৈ–য়ুনৈদুনা হিজি হিরাও কানা পোত্থামিন্নখি।

নোংবাল তালোই লৈমা, মালেম লৈমায়থক্তা লোংনা য়াতাদুনা হরাও মথোই কাদুনা মপুং ফানা ৱাংলেন ঙাইহাক পোত্থামিন্নরল্লগা মতৈ মনাও অনীদো চীংচেপ তম্মা লানখৎলপদা চীংচেপ্তা নান্থদুনা খুদি কয়ারক থিদুনা অৱা–অনা কয়া থোকখি।

অৱা–অনা কয়াবু লান্থোক্কুনা মতা ফবা মফম য়েংদুনা মতৈ–মনাও অনীনা শা শেমদুনা চাখিয়ে। নোংবান অহোংলোই মতৈ–মনাওনা চাকমাং চা ফিমাং শেৎ ফত্তবা লিচৎ কয়াগা ইরোইননা চীংগোই তুরেলদা ঈরু শাশেংদনা চিংঙুবা মশাইকোন তম্না কাখৎলক্লে। অসুম অসুম কাখৎলকপনা চিংঙুবা লাইকোন্নুং য়ৌশিল্লক্লে। মতম অদুদা পান্থোইবী ইমাগী লাইকোন্নুংদা চংদুনা চেং লৈ কৎনবা থৌরাং তৌরকপদা তশেংনা পান্থোইবী ইমা মশা লেংথোক্কুনা হায়রকই –

‘তাও তাও নোংবান অহোংলোই নতৈ ননাও অনীনা নবেম্মা ঐঙোন্দা তরা চাকমাং চারগা চরৈ ফিমাং শেৎতুনা নবেম্মা ঐবু খুরুম্বা লাক্লিবসে খংমন্নসু খংমন্দে, নবেম্মা ঐহাক্না লম্বী লমখাংদা অৱাবা কয়াসু পীখ্রে। অদুবু নতৈ ননাও অনীনা খংমন্দ্রবনিনা হৌজিক্তি নবেম্মা ঐঙোন্দা লংজবগী তেকচাক ফংবা তারেদো। নশা অদু হৌজিক্তি লায়থুং পকপা তারেদো।’

নশা অদু হৌজিক্তি লাইথুং পকপা তারে হায়না মবেম্মনা মীচৈরক্লে। মবেম্মগী ৱাফম অদু তাবদা নোংবান অহোংলোই মতৈ মনাও ইবেম্মগী ৱাফম অদু তাবদা নোংবান অহোংলোই মতৈ মনাও ইবেম্মগী মতিক ময়াইতনা পুমঙান ঙানখ্রবা মচুনা চুমথাং খল্লিবা, লৱাই কোইরেল থক্তসু থবী ময়ুম্না লৈতেংলিবা মবেম্মবু উবদা কোক্তগী খোং ফাওবা তু খ্যাও খ্যাও চুংলদুনা ইবেম্মগী মঙান্না মশা অদু চাকথেক্লক্কদৌরবা মতম অদুদদি মমিৎতগী পিরাং শিন্থদুনা মঙক্তা চরৈ মফি য়েৎতুনা ও খোংনা কপ্লম্মী। মখোয়না ইমাদা লংশিনজখিবা মরাল য়াজবগা লোয়ননা নংলিবা অৱাবদু অমুক্তংদি কোকহনবিয়ু হায়জবা লোয়ননা ওন্না থোইনা কপচরে।

মতৈ–মনাও অনীগী মতৌ অদু উবদা ইমা ইবেম্ম পানথোইবীনা মখোয় অনীবু মরাল কোকপিরগে থৌজাল লনকুবিরগে হায়না খল্লক্লে। অসুম্না মখোয় অনীবু য়েংলদুনা হায়রকখি –

‘তাও তাও নোংবান অহোংলাইও। নতৈ ননাও হৌজিক্তি নবেম্মা ঐনা থাখ্রবা মীচৈনি লেম্না মাংবা য়াররোই? অদুম্নদি ওইরগা নখোয়নিনা নয়ুম মোংবা নরানয়াই য়ৌরগা নবেম্মা ঐহাকপু খুভম য়াজদুনা উমং লৈহৌ ওইনা হরাও মথোই কানা তরামজৌও। মদুতদা নবেম্মা ঐহাকপু ঈকৌখৎপা ঈকোমদা ঈরু শান্দেংজৌও। মদুদতা নখোয় অনীগী নশাগী লাইথুং লায়না কোকপা ওইজরো।’

নোংবান অহোংলোই মতৈ মনাও মবেম্মা ইমানা তাকপীরকখিবা মপাওখোল অদুবু চিত্থবা তৌদনা থৌরম খুদিংমক পাঙথোকচকি। মমৈথংদা অৱান অনা কোক্কুনা নুংঙাই য়াইফনা পানখিয়ে। নোংবান অহোংলোই মতৈ মনাওনা শানৈ য়ুনৈদুনা পোত্থামিন্নখিবা মফম চীংদুম মচা অতাওচীং অসিবু লোংখাক লাইরেম্বী অতাওচীং হায়না কোলোয়নখিয়ে। মথংদা খরা হাইগৎলকপদা নোংবান অহোংলোই মতৈ মনাওদা অৱাবা পীখিবা চীংজিন অদুবু অৱা চীংজীন হায়না ঙসি ফাওবা খঙনরি।


লৌশিংগী পুক্কে – ১২৫৫
০৭/০১

কষ্টদিয়ান, ইথোক–হন্দোকপা ঃ চনম হেমচন্দ্র

কি কুম।। সোক্ ১৫১৯ তা।। মইতিংঙু খাকিঙম্পা।। ফম্পাল্ কায়ে।।০।। থিঙ্কুচম্ পানামুকি কুম।। সোক্ ১৫২২ তা।। আঙোম তাক্য়ে।। আঙৌপাম্পা।। মুংয়াংচাইপা।। সুকনুতা থায়ে।।০।। নিংথৌচম্ খোয়্রিকি কুম্।। সোক্ ১৫৩২ তা।। আঙৌপাম্পা লম্তাপা।। আঙোম্ ৱোইয়ে।।০।। চানম্ চিঙ্সোংকি কুম।। সোক্ ১৫৫৮ তা।। আঙৌপাম্পা লম্তাপা সিয়ে।।০।। মাইপম্ মায়াম্পাকি কুম্।। সোক্ ১৫৫৯ তা।। আঙৌপাম্পা তাংখুল্ঙম্পা আঙোম্ ৱোইয়ে

কি কুম। শোক ১৫১৯ দা মৈদিংঙু খাকিঙমবা ফমবাল কায়ে।।০।। থিঙকুচম পানামুগী কুম। শোক ১৫২২ দা। অঙোম তাকয়ে। আঙৌপামবা মুংয়াংচাইবা। সুকনুদা থায়ে।।০।। নিংথৌজম খোইরিগী কুম। শোক ১৫৩২ দা অঙৌপামবা লমতাবা। অঙোম ওইয়ে।।০।। চানম চিঙশোংগী কুম। শোক ১৫৫৮ দা অঙৌপামবা লমতাবা। অঙোম ওইয়ে।।০।। চানম চিঙশোংগী কুম। শোক ১৫৫৮ দা অঙৌপামবা লমতাবা শিয়ে।।০।। মাইবম মায়ামবাগী কুম শোক ১৫৫৯ দা অঙৌপামবা তাংখুলঙমবা অঙোম ওইয়ে।।০।।

[illegible]

ইদিটরদা চেন্নকপা পাউথাং

[illegible]

লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর